# মীতৈ পাঙল অমসুং মীতৈ নুংশিননা লৈমিন্নসি : মেসিয়া

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ (ঐচ এন এস):
লমদম অসিগী পুরাইদা ইশেন-ইবাই হায়না লৈরবা লমদম অসিগী মীতৈ পাঙলশিংনা ফেসবুক পোষ্টতা য়ুম্ফম ওইরগা ঈহৌ শাগেনবা শীনবদি ঐখোয় মশেলশিংগী মরক্তা য়েংথীনবা হেনগনি। ইমালোল পুম্বা তম্পাক্তা হিংমিন্নরিবা ঐখোয় মশেল অসিগী মরক্তা ঈরাং থোক্কবা হোৎনরোইসি হায়না মীতৈ য়ুং ফ্রন্ট সাউথ ইষ্ট এসিয়া (মেসিয়া)না ফোঙদোরক্লি।

মেসিয়াগী প্রসিদেন্ট এন জি মণ্ডাল মৈতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ফেসবুক পোষ্টতা থাগৎখিবা রাফম অদু লমদম অসিগী মীতৈ পাঙলশিংগী থম্মোয় শোকখিবা ওইরবদি মদুগীদমক মেসিয়ানা নুংঙাইতবা ফোঙদোকরবি হায়রি। মেসিয়ানা ফেসবুক পোষ্টতা থাগৎখিবা মীওই অদুগা ৰারী শানরবা মতুংদা রাফম অদু ইস্লামগী মায়োক্তা ওইরমদ্রে। মদু শা হাৎপা থৌরমশিংদা পেন্দবা ফোঙদোকপা ওইনা খুমাইশিনা ঈ থোকপা থৌরমশিংনা মী মশেল হাৎপা ভন্নি হায়বা য়াম্না চম্না অফবা ৰাখল্লোননা য়ুম্ফম ওইরগা থাগৎপা ওইরম্লে। অদুবু নুমিৎ অদু মালেমগী ওইনা ইস্লামগী লাইনিং চৎপশিংগী অচৌবা নুমিৎ ওইরম্লনা মীতৈ পাঙলশিংগী থম্মোয়দা লায়া লৌথিবা লৈরবদি মদু থাদোকপীয়ু। পোষ্ট অদুগী নুংগী ওইবা অশেংবা ৰাখল্লোনদি মদু নত্তে হায়না মেসিয়ানা মীতৈ ইস্লামশিংগী মফমদা ইকায় খুম্না থমজরি হায়রি।

লাইনিংগী মরুমদা তম্পাক্তা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় মশেল অসিগী পোলিটিকেলাইজ তৌরবদি মদু কনস্না মখলগী কন্দায়দগী লাকপা ঈনোৎনো হায়বসি মেসিয়ানা থিগৎপা য়াই হায়রি। লৈমিন্নরিবা ঐখোয় মশেলদি খরা খজিক থম্মোয় চাউখোকপসু ঐখোয়-ঐখোয়গী মীয়ামগীদমক লুপশিংনা হোৎনফম থোকই। ইস্লাম মন্তনা কুর্বানি তৌবা নত্তে, মালেমগী লাইনিং কয়াদা অমথীনা শা হাৎপা কয়া অমা য়াওরি, মদু পুম্নমক্কী মায়োক্তনি। মীতৈ ঐখোয়গীসু ঐখোয়গী ফুরুপনা নীংলৈবা লাইনিং লম্বীদা ঈ থোকপা কুঙ্খোং নৎত্রগা ঈ কংপা নুমিৎ লৈতবা নত্তে। বলি কুঙ্খোং মীতৈ অয়াম্বনা শা মকোক কংলি। অসিগুম্বা ময়াম অসি ফত্তে, মসিনা ঈ থোকপা হৈনহন্দুনা খুয়াই অসিদা নেংগোটিব ওইবা চৈথেং লাকই হায়বা খুয়াই অসিবু শেমদোক্নীংবগী ৰাখল্লোন অদু ফোঙদোকচখিবনি হায়না মেসিয়াদা ফোঙদোরক্লে হায়রি।

মেসিয়ানসু লাইনিংগী মিংদা তৌবা ফত্তে। ঐখোয়গী ওইরো, অতোপ্পগীবু ওইরো। অদুবু চৎনবী হায়বসি চৎনবীনি। ৰাখল্লোন ফাওদোকপা ফৈ। অদুবু খুন্নাইগী কন্দিসন য়েংলগা ফোঙদোকপীয়ু হায়না পাউতাক পীখিবগা লোয়ননা মহাক্কু পোজিটিব রেস্পোন্স পীরকখি। মসি ঐখোয় পুম্নমক্কী লাইবক ফবনি। মথক থোকবশিংগী ৰা তাবিবনি হায়না লৌই। মীতৈ পাঙলগী ইচিল-ইনাওশিংসু অহেনবা ৰাখল খনবীদনা পুক্নিং চমথোকপীদুনা ঈরাং থোক্কহনবা য়াবা থবক অমত্তা পায়খৎনরোইসি হায়রি।

মীতৈ পাঙল অসি মীতৈশিংগী মরী-মতানি। মীতৈ পাঙলশিংবু নুংঙাইতবনা মীতৌনা তৌবা, অমদি তৌনিংবগী ৰাখল্লোন লৈতে। খুদিংমক মীতৈ ফুরুপ্পা ইকায় খুম্নজে হায়রি।

মীতৈ পাঙল ইচিল-ইনাওশিংবু মীতৈ ফুরুক্কা য়াম্না ইকায় খুম্নজে, নুংশিজৈ। মীতৈ ফুরুপকী মীওই অমগী ৰাখল্লোন অমনা নুংঙাইহনখিদবা থোক্লবদি মদু ঐখোয় পুম্নমক্কী লাইবক থীবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# অমকিলগী ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ (ঐচ এন এস):
অপুনবা মণিপুর কনবা ইমা লুপ (অমকিলগী ১৭শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা ঙসি মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ওল মণিপুর মেন্টেল্লি হেন্দিকেপ পার্সন ৰেলফ্যের ওর্গনাইজেসন অমসুং স্বধার গ্রেহ কৈখু কবুই ভিলেজদা লৈবা হোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অঙাং-শিংগীদমক্তা তেংবাংখ্রে।

অমকিলগী সেক্রেটরি আই পি আর অঙোম সুম্মানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অমকিলগী ১৭শুবা ফাউন্দেসন দেগী মরক অমা ওইনা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ওল মণিপুর মেন্টেল্লি হেন্দিকেপ পার্সন ৰেলফ্যের ওর্গনাইজেসনগী হেন্দিকেপ স্কুলদা চেঙ বেগ ৫, আলু বেগ ১, থাউ তিন ১, থুম পেক্কেটশিং য়াওবা বেগ ১, মঙ্গন কে জি ১০গা লোয়ননা অচা-অথকশিং পীখ্রে। অনীশুবদা স্বধার গ্রেহ কৈখু কবুই ভিলেজদা লৈবা হোমদসু চপ মান্নবা পোৎলমশিং পীখি।

হোম অনী অসিদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীখিবা অসিনা ফাউন্দেসন দেগী মরুওইবা পান্দম ওইখি হায়রি। থৌরমশিং অসি নুপী সমাজ, তম্মী-চীংমী, নোংপোক লৈঙাক অপুনবা নুপী লূপ, অপুনবা নুপী লূপ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ইমা লূপ হায়রিবা ওর্গনাইজেসনশিং অসিনা অমকিলগা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

## সাইন্স সেমিনারগী রিজল্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ (ঐচ এন এস):
জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসর জোন ২ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা ক্লাস টেন ফাওবগী ষ্টুডেন্টশিংগী ওইনা স্বাছ ভারত : রোল ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি প্রোমিজেস এন্দ চেলেঞ্জেস হায়বা টোপিকতা অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখিবা সাইন্স সেমিনারদা পোরোম্পাৎতা লৈবা সেক্রেদ হার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস টেন তম্লিবী য়াঙ্গেম দেবিকানা অহানবা পোজিসন ফংখ্রে। লোয়ননা মহাকপু ষ্টেট লেবেল সাইন্স সেমিনার অথুবা মতমদা শরুক য়ানথোক্নবা দৌরিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা শরুক য়ানবা খনখ্রে। সেমিনার অসিদা এল নবকুমার, দেপুটি ইন্সপেক্টর ওফ জোন ২না চীফ গেষ্ট অমসুং অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল কে সুমতিনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

# প্রাইভেট স্কুলশিংগী ইলিমেন্টরি টিচরশিংনা শুংশোয় শোয়দনা দি ঈ এল ঈ দি ট্রেনিং য়াওগদবনি : কম্মিটি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ (ঐচ এন এস):
অনৌবা এদ্যুকেসনগী কাঙলোন অমগী মখাদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ইলিমেন্টরি থাক্তা ওজা ওইরিবা লৈবাক অসিগী ওজাশিংবু দিপ্লোমা ইন ইলিমেন্টরি এদ্যুকেসন ট্রেনিং পাস তৌগদবনি হায়বা গভর্ণমেন্টকী ফিরেপপু কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুল মণিপুরনা তরায়া ওনক্ট হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওফ রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুল মণিপুরগী কনভিনর এল জয়না হায়খি, ঙসি ফাওবদা কম্মিটি অসিনা তোঙান-তোঙানবা চীং অমসুং তমগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চৎতুনা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী মতাংদা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্তুনা ওজা খূদিংমক ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি য়াওহৌনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। অসিগুম্বা একাদেমিক্কা মরী লৈনবা প্রোগ্রাম কয়াদা মতুংদসু কম্মিটি অসিনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি অমসুং হোৎনগনি। অফবা মহৈরোয় অমা ওইহনবদা অফবা মতিক চাবা ওজা মখোই তৌবনা প্রাইভেট স্কুলশিংদা ওজা ওইরিবা খুদিংমক মতম-মতমগী গভর্ণমেন্টনা শিল্লকপা ট্রেনিং কয়াদসু প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিং য়াওশিন্দুনা মতিক মগুন লৈবা ওজা অমমম্ ওইনবা হোৎনমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ইলিমেন্টরি থাক্তা ওজা ওইরিবশিং দিপ্লোমা ইন ইলিমেন্টরি এদ্যুকেসন ট্রেনিং পাস তৌদ্রবদি কুমজা ২০১৯গী মার্চ ৩১ দগী ওজা ওইবগী খূদোংচাবা অমত্তা পীরোইদবনা রিকগ্নইজ প্রাইভেট স্কুলশিংদা ইলিমেন্টরিগী থাক্তা ওজা ওইরিবশিংনা শুংশোয় শোয়দনা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি য়াওবীগদবনি হায়খি।

করিগুম্বা হায়রিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি য়াওহৌদবা ওজাশিংগী ৰাকৎশিং কম্মিটি অসিনা তাবা ঙম্লক্তবা য়াই। মরম অদুনা ওজা খূদিংমক্কা শুংশোয় শোয়দনা য়াওবীনবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা রেজিষ্ট্রেসন অমদি এনরোলমেন্ট তৌবা মতমদা খঙদবা অমদি চমন্নবা নৎত্রগা হৈতবা লৈরবদি রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওইবা ফেসিলিটেসন সেন্টর কয়া হাংদুনা ওজাশিংদা খূদোংচাবা পীনবা হোৎনরি।

কম্মিটি অসিনসু স্কুলশিংদগী লাকপা প্রোব্লেম কয়া সোল্ব তৌনবসু হোৎনরি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পীরিবা এনরোলমেন্টগী লাষ্ট দেট অসি সেপ্টেম্বর ১৫ নি। মসি য়েথোকপগী খূদোংচাবা লৈতবনা ওজা খূদিংমক্কা নুমিৎ অসিগী মমাঙদা শুংশোয় শোয়দনা এনরোল তৌবীয়ু। প্রাইভেট স্কুলশিংগী খূদোংচানবা হায়দুনা হৌজিক্কী ওইনা ওল মণিপুর রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুল ৰেলফ্যের এসোসিএসনগী কৈশাম্পাৎ সেগা রোদতা লৈবা ওফিসতা অয়ূক পুং ৭ তগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কম্মিটিগী মীহুৎশিং লৈদুনা প্রোব্লেম কয়া সোল্ব তৌনবা অমদি থুনা এনরোল তৌনবা হোৎনরি। তঙাইফদ্রবদি পুং ২৪ এনরোল তৌনবগী খূদোংচাবা পীনবা হোৎনরি। করিগুম্বা স্কুলশিংনা ওনলাইনদা এনরোল তৌবা হৈতবা তারবদি হায়রিবা ওফিস অসিদা অথুবা মতমদা লাক্কুনা এনরোল তৌনবা হোৎনবীয়ু। লোয়ননা কম্মিটি অসিগী মেম্বরশিংগী মোবাইল ফোনশিং পুং ২৪ হাংদুনা মতেং পাংনবা হোৎনরি হায়রি।

কম্মিটি অসিগী একাদেমিক এদভাইজরি কম্মিটি অমা অথুবা মতমদা শীন্দুনা ট্রেনিং অসিগী সপোর্ট পীনবা অমদি তোঙান-তোঙানবা একাদেমিক্কা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লবা হোৎনরগনি। লোয়ননা রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলদা ইলিমেন্টরি থাক্তা তাকপী-তম্বীরিবা ওজা খূদিংমক্তা অথুবদা ওনলাইনদা রেজিষ্ট্রেসন/এনরোল তৌবীদুনা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি শুংশোয় শোয়দনা য়াওবীনবা হোৎনবীয়ু হায়না মহাক্কা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ট্রেন তৌদ্রিবা ওজাশিংগী এৱ্যেরনেস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ (ঐচ এন এস):
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টকী, এইদেদ অমসুং প্রাইভেট স্কুলশিংদা কুমজা ২০০১গী সেপ্টেম্বর ৩ অমসুং মমাঙ ফাওবদা থবক খল্লবা ট্রেন তৌদ্রিবা ইলিমেন্টরি ওজাশিংগী নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা দিষ্ট্রিক্ট ইন্সটিটুট্যট ওফ এদ্যুকেসন এন্দ ট্রেনিং মোইরাংদা থা অসিগী ৯গী অয়ূক পুং ১১ তাবদা পাঙথোক্কনি হায়রি। জেদ ঈ ও বিষ্ণুপুরগী খূথাংদা নৎত্রগা য়াওনিংবা ওজাশিংনা মশা লাক্কুনা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসি য়াওরবা য়াগনি। এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসিদা আর টি ঈ ২০০৯গী মখাদা ওজা অমা ওইবগী ওইফম থোকপা মিনিমম ক্বালিফিকেসন য়ৌদ্রবদি কুমজা ২০১৯গী এপ্রিল ১ দগী ওজা ওইবা য়ারোইদবনা অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসিদা ওজাশিংনা য়াও-হৌনবা খঙহল্লকপনি হায়না দি আই ঈ টি মোইরাংগী প্রিন্সিপাল ঐচ নেকিশ্বরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## এম এস এফ য়ুনিট কাউন্সিল হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ (ঐচ এন এস):
মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) হেদ ওফিসকী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি জেসন অমদি এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ভুমেশ্বরিগা জি পি ৰিমেন কোলেজগী মহৈরোয়শিংগা এম এস এফ হেদ ওফিসতা পূন্না ফম্মিন্নদুনা জি পি ৰিমেন কোলেজ এম এস এফ য়ুনিট কাউন্সিল ঙসি হাংদোকখ্রে। লোয়ননা নৌনা হাংদোক্লবা য়ুনিট কাউন্সিল অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা ওইনাম জেনিফর, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা এস রোশনি অমসুং ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা এল সঙ্গিতাবু হাপখ্রে হায়না এম এস এফ হেদ ওফিসকী এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## পান্থোইবী ঈরাৎ থৌনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ (ঐচ এন এস):
ইপা থৌকোক উরিপোক নাওরেমথোংনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫ দগী উরিপোক নাওরেমথোংদা লৈবা ইমা পান্থোইবী মশাইকোনদা ৪০রক শুবা ইমা পান্থোইবী ঈরাৎ থৌনীবগী থৌরম নুমিৎ ৬ নি চুপ্পা পাঙথোক্কনি হায়রি। থৌরম অসিদা ঈশৈ জগোই, ৰারীনচিংবা অমদি অতৈ লাইনিং-লাইশোলগী থৌরমশিং কৎপীনিংবশিংনা ইপা থৌকোকতা চে পীশিন্নবা খঙহল্লক্লি। লাইরোই নুমিৎতা মুক্না তকখৎনবগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা মাঙজৌননা মিং পীখৎনবসু ইমা পান্থোইবী ঈরাৎ থৌনী কম্মিটিগী কনভিনর য়েংখোম প্রেমজিৎ মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# ব্লদ দোনেসনগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ : দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন আর আই এম এস অমসুং হ্যুমেন স্কিল ইম্পাৱরমেন্ট সেন্টর অনীনা পূন্না শীন্দুনা ষ্টেট ব্লদ সেল, এন ঐচ এম মণিপুরনা স্পোন্সর তৌদুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবদা নোংমগী ওইবা ব্লদ দোনেসনগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী নুংগী ৰারোল পীরদুনা দল্লিয়ু রোরকিচান্দ, সেন্টর হেদ ঐচ এস ঈ সীনা হায়খি, ঙসি পাঙথোক্লিবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসি নহা ওইরিবশিং অসি খুন্নাই অসিগী য়ূম্বীরেলনি। মরম অদুনা তিঞ্জং কায়জংদবা থৌদাং লৌবা ঙম্বা খুন্নাই অমা শেম্বদা নহারোলশিংগী থৌদাং চাওনা লৈ হায়না খনবদগী পাঙথোকচবনি। প্রধান মন্ত্রি কৌশল বিকাস যোজনাগী মখাদা স্কিল ট্রেনিং ফংলবা ট্রেনীশিংবু খুন্নাই অসিগী থৌদাং লৈবা মীশক অমমম্ ওইনবা হায়দুনা ঙসিগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। অসিগুম্বা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসিনা নহাশিংগী তুংগী লম্বীদা চাওনা মতেং পাংগনি হায়না থাজে। ইশাগী ঈ পীবা হায়বসিমুক চাওবা কথোকপা অতৈ লৈতে। করিগীদমক্তা ঈ পীগদৌরিবনো হায়বগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকপা অসি মতুংদা মীওই পুম্নমক ৰাখল তামিন্নদুনা অনৌবা ঈনোৎ অমা হাপ্পীদুনা ঐখোয়গী মহৈরোয়শিং অমদি লমদম অসিগী নহাশিংনা খুন্নাই অসিগী অফবা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা থমদুনা পাঙথোকচবনি।

ঐচ এস ঈ সীনা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকপগা লোয়ননা লু-নানবগী দ্রাইব, দিজিটেল এদ্যুকেসন ফংহনবনচিংবা থবক থৌরম কয়াসু পায়খৎলি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# শঙাই ফেষ্টিবেলগী কলচরেল প্রোগ্রাম কৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ (ঐচ এন এস):
মণিপুর শঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৭ কী কলচরেল প্রোগ্রাম বি ও এ টিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুদা শরুক য়ানিংবা মণিপুরগী অনৌবা ক্রিয়েটিব/ইনোভেটিব দান্স নৎত্রগা ম্যুজিকেল কম্পোজিসনগা লোয়ননা শেম শারবা মণিপুরদা লৈরিবা ট্রেদিসনেল/ক্লাসিকেল/ফোক/ ট্রাইবেল পর্ফোরমিং আর্ট গ্রুপশিংদগী এপ্লিকেসন কৌরি।

রেজিষ্ট্রার তৌরবা কলচরেল ইন্সটিট্যুসন/ওর্গনাইজেসনশিংনা মরী লৈনবা প্রোফাইল নৎত্রগা মরী লৈনবা ইন্সটিট্যুট নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন অদুগী পোষ্টেল এদ্রেস নৎত্রগা প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরিগী কন্টেক্ট নম্বরশিং, সিপ্নোসিস/ কন্সেপ্ট নোটকা লোয়নবা প্রপোজ আইটেমশিং, সী দি/দি ভি দিগা লোয়নবা হায় ক্বালিটি পর্ফোর্মেন্স ইন্সটিট্যুট অদুনা প্রপোজ তৌরিবা আইটেম অমখক্তমক সোফট নৎত্রগা হার্দ কোপীদা দোক্যুমেন্টশিং অদু পীখৎলক্কদবনি হায়রি। পার্ফোর্মেন্সশিং অদু মিনিট ১০ দগী ১২ ফাওবগী মনুংদা ওইগদবনি। থা অসিগী ২০গী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা এপ্লিকেসন অদু দিরেক্টর আর্ট এন্দ কলচর মণিপুর, পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা য়ৌহল্লক্কদবনি। মদুগী মতুংদা লাকপা এপ্লিকেসন লৌরোই।

কম্মিটি অমনা সী দিগী খূথাংদা সোর্ট লিষ্ট তৌরবা খনগৎলবা কলচরেল ইন্সটিট্যুসন নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন অদু মণিপুর শঙাই ফেষ্টিবেলগী কলচরেল শোদা শরুক য়ানবা ইনভাইট তৌরক্কনি হায়না আর্ট এন্দ কলচর মণিপুরগী দিরেক্টর কনভিনর কলচরেল সব-কম্মিটি মণিপুর শঙাই ফেষ্টিবেল, ২০১৭কী চেরোল অমনা হায়রি।

## ফ্রী বূক দিষ্ট্রিব্যুসন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ : নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি ইম্ফালগা নেসনল কেরিয়র সার্ভিস সেন্টর ফোর এস সী/এস টি ইম্ফাল, দিরেক্টোরেট জেনরেল ওফ ইমপ্লোয়মেন্ট, গভর্ণ-মেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা পূন্না খূৎশম্নদুনা ঙসি ইন্সটিট্যুট অসিদা আই টি-ও লেবেল সোফটৱ্যের অমসুং হার্দৱ্যেরগী মহৈরোয়শিংদা লেম্না লাইরিক য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা টি ঐচ প্রমেশ্বর, এগজিক্যুটিব দিরেক্টর এন আই ঈ এল আই টি ইম্ফালনা প্রসি-দেন্ট, রঞ্জিৎ কুমার মন্দল, সব রিজনেল ইমপ্লোয়মেন্ট ওফিসর, নেসনল কেরিয়র সার্ভিস সেন্টর ইম্ফালনা চীফ গেষ্ট অমসুং এ বুবু, জোইন্ট দিরেক্টর (একাদেমিক) এন আই ঈ এল আই টি ইম্ফালনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৰা ঙাঙবদা টি ঐচ প্রমেশ্বরনা কোর্স অসিগী কান্নবশিং মচা খাইনা কনখিবগা লোয়ননা কোর্স অসি লোইরবশিংনা থবক তৌবা য়াবগী ওইথোকপশিং অদুসু হায়খি। স্পোন্সর কোর্স অদুগী মরমদা রঞ্জিৎ কুমার মন্দলনা ৰাফম কয়া থমখি। হার্দৱ্যের ষ্টুদেন্ট ২৩ অমসুং সোফটৱ্যের ষ্টুদেন্ট ৬২ দা লাইরিক য়েন্থোকখি।

# রোহিনজাশিংদা চথবা মীহাৎ য়ানিংদে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ (ঐচ এন এস):
চহী চা কয়াদগী ম্যান্মারগী অরাকান ষ্টেটতা লৈরিবা রোহিনজাশিংবু চহী কয়া চুপ্না ওৎ-নৈবীবতা নৎতনা মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীবা নুপীশিংবু রেপ তৌবা, অঙাং কয়া মীনুংশি য়াওদনা হাৎপা অমদি মীওই চা কয়ানা ফাজিন্দুনা থল্লিবা অসি রোহিনজাশিংনা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকী মথক্তা ফনা য়াম্না লান্না তৌরম্লবসু অসিগুম্বা মীহাৎ অসি মীওইবনা তৌরোইদবা থৌওংনি হায়না ওল ইন্দিয়া তাঞ্জিম-ঈ-ইনসাফ (এ আই টি আই)না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

এ আই টি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম দি সাহবুদ্দিননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকী থৌওং অসি মালেমগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা থেংনদবা মীহাৎনি অমদি পরম চুমদবা গভর্ণমেন্টনি হায়না মরাল শীরক্লি। ১৬শুবা সেঞ্চুরিগী মমাঙদগী অরাকান হায়বা মফম অদুদা লৈরক্লবা রোহিনজাশিংবু ম্যান্মার গভর্ণমেন্টনা শকখঙলবা ওফিসিএল ইথনিক গ্রুপ ১৩৫ গী মনুংদা য়াওহন্দবা, ম্যান্মারনা নীংখা তম্লবা মতুং কুমজা ১৯৪৮ কী মতুংদা য়ুনিয়ন সিটিজনশিপ এক্ট পাস তৌবদা রোহিনজাশিংবু কোনশিন্দবা, আই দি কার্দ ইস্যু তৌদবা পুম্নমক অসিনা তাকপদি ম্যান্মার গভর্ণ-মেন্ট অসি হ্যুমেন রাইটস মশক খঙদবা, ইন্টরনেসনল লো ইন্দবা গভর্ণমেন্ট অমনি হায়না মরাল শীরক্লি।

কুমজা ১৯৬২ দা মিলিটরি গভর্ণমেন্ট লাকপদগী ম্যান্মারদা রোহিনজাশিংগী মমি শান্নকখি। মসিগী মমাঙদা ম্যান্মারগী পার্লিয়ামেন্টতা রোহিনজাশিংগী মীহুৎ ফাওবা য়াওরম্মী। কুমজা ১৯৮২ দা ন্যু সিটিজনশিপ লো পাস তৌদুনা সিটিজন অমা ওইবগী বেজ ইয়র অসি ১৯৪৭ ওইহনখ্রবসু নেসনল লেংগ্বেজ অমা ফজনা ঙাঙদ্রবদি ম্যান্মার সিটিজন ওইবা য়াদবনা রোহিনজাশিংদা অচৌবা অৱাবা অমা ওইহল্লি। কুমজা ১৯৮২ দা ন্যু সিটিজনশিপ লো পাস তৌজরবসু রোহিনজাশিংবু ওৎ-নৈবা, রেপ তৌবনচিংবা ম্যান্মার সিক্যুরিটিনা কুমজা ১৯৭০ দগী চথবা হৌখি। কুমজা ১৯৪৮ কী য়ুনিয়ন সিটিজনশিপ এক্টকী মনুংদা রোহিনজাশিংগী রাইটস খরা লৈজরম্বা অদুসু কুমজা ১৯৮২ দগীদি ষ্টেটকী রাইটসশিং পীবগী মহুৎতা খুল অমদগী খুল অমদা চৎপগী অয়াবা ফাওবা পীখিদ্রে হায়রি।

কুমজা ১৯৭০ দগী কুমজা ২০১৬ ফাওবগী মনুংদা রোহিনজা চা কয়া হাৎখি। মীওই মিলিয়ন ১ রোম খুল থাদোক্তুনা থংনবা লৈবাক্তা লাঞ্জেন্নখি। মমাঙ চহীগী ওক্টোবরদগী হৌজিক ফাওবা বাংলাদেশতা রোহিনজা লাখ ১.৭০ রোম চঙজফম লৌদুনা লৈরিবনি।

ইন্টরনেসনল ওর্গনাইজেসন ফোর মাইগ্রেসনগী রিপোর্ট মতুংইন্না বাংলাদেশ, ইন্দিয়া, পাকিষ্টান, য়ু এ ঈ, থাইলেন্দ, মলেসিয়া, ইন্দোনেসিয়া অমদি সাউদি অরাবিয়াদা রোহিনজাশিংগী চঙজফম ওইরি। নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখ্রবী ম্যান্মার ষ্টেট কাউন্সিল্লর ওং সান সু চিনা রোহিনজাগী ৰাথোক অসি অরানবা পাউনি, অসিগুম্বা পাউ অসিনা টেররিজম শৌগৎপদা মতেং পাংই হায়দুনা ফোঙদোরকপা অসিবুসু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। ষ্টেট কাউন্সিল্লর অসিনা ম্যান্মার আর্মিগী কা হেনবা থৌওং অসিবু লাকশিনবা ঙমদবা অমদি রোহিনজা মিলিয়ন ১ হেনবগী রাইটকীদমক লেপ্পা ঙমদবগী মরাল অদু কুপশিন্নবা অরানবা পাউনি হায়জিনবনি হায়রি।

য়ু এন অমদি ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস গ্রুপ কয়া অমদি এম্নেষ্টি ইন্টরনেসনল অমসুং হ্যুমেন রাইটস ৱাটচনা রোহিনজাশিংগী ফংফম থোকপা রাইটস ফংহন্নবা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টতা খঙহনখ্রবা ফাওবা মাইনোরিটিশিংবু নমথগদবনি হায়না সু চিনা খল্লি হায়রি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সু চিগা উনবদা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টনা টেররিষ্ট থেংনবদা ইন্দিয়ানা মতেং পাংগনি হায়খিবদু কনাদা থিল্লগা হায়বনো হায়বা খঙই। চাউখৎলক্লিবা লৈবাক ইন্দিয়াগুম্বা অমগী প্রাইম মিনিষ্টরনা শোথরবশিংগী খনবীবগী মহুৎতা বুধিষ্ট লাইনিংবশিংগী য়ু হাবদা শোকখিবা মফমশিংবুদি নৌনা অমুক শেমগৎনবা ইন্দিয়ানা ফোঙদোক্লমখি। অদুবু রোহিনজাশিংগীদমক্তা করিমত্তা ফোঙদোক্লমদবা অসি লুচিংবা অমা ওইনা তৌহৈদবা থৌওংনি হায়রি।

য়ু এন ওনা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টপু রোহিনজাশিংবু ওৎ-নৈবগী অয়াবা পীব্রা হায়না হংলকপগা লোয়ননা য়ু এন ওনা মপাঙ্গল শীজিন্নদুনা ৰাথোক অসি লোইশিনহনবা চুমগনি হায়রি।

## য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ : সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা ষণ হাৎপা থিংনবা থৌওংগা মরী লৈননা এটেক তৌরিবা অদু লেপহন্নবা খুদক্তা থবক লৌখৎনবা পীখিবা দিরেক্টিব অদু কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই)না মরম চাই হায়না ফোঙদোরক্লি। কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া সেন্ট্রেল ওফিসকী জেনরেল সেক্রেটরি এস সুধাকর রেদ্দিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হোলি কাওবু খূৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নদুনা মফম কয়াদা কম্যুনেলিষ্টশিংনা কা হেনবা থবক কয়া চথরকপা অমসুং লৈবাক অসিগী দলিট অমসুং মাইনোরিটিশিংবু হাৎপা অমদি এটেকনচিংবা তৌরক্লি। ষ্টেট কয়াদা অসিগুম্বা কেসশিং অসিদা চেন্নবা মীওইশিং ঙসি ফাওবা চৈরাক পীবীদববু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

# ৱর্ল্ড ফিজিকেল থেরাপী দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ : ওল মণিপুর ফিজিওথেরাপীষ্ট এসোসিএসন (এ এম পি এ) না শীন্দুনা ফিজিকেল এক্টিভিটি ফোর লাইফ হায়বা থিমদা ৱর্ল্ড ফিজিকেল থেরাপী দেগী থৌরম ঙসি সী ঐচ সী ৰাঙ্গোইদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৰেলফ্যের মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট, ডা. পি শ্যামসুন্দর, এদিসনেল দিরেক্টর ওফ হেল্ঠ সার্ভিসেস, মেদিকেল দিরেক্টোরেটনা প্রসিদেন্ট অমসুং ডা. এ সুনিলা এম ও ইন-চার্জ সী ঐচ সী ৰাঙ্গোই অমসুং ডা. এ রিতা, প্রসিদেন্ট ওল মণিপুর ফিজিওথেরাপী এসোসিএসন, সিনিয়র ফিজিওথেরাপীষ্ট পি এম আর রিমসনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা ফ্রী ফিজিওথেরাপী ট্রিটমেন্ট কেম্প অমসু পাঙথোকখি। মদুদা সী ঐচ সী ৰাঙ্গোইনা কোনবা মফমশিংদগী লাকপা অনাবা ১০০ রোম ফিজিওথেরাপীগী লায়েং পাঙথোকখি হায়না ওল মণিপুর ফিজিওথেরাপীষ্ট এসোসিএসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ডা. টি জেমসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# ‘গৌরি লঙ্কেশ হাৎপা মীওই চৈরাক পীগদবনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ (ঐচ এন এস):
বেঙ্গলুরু এক্টিভিষ্ট অমসুং সিনিয়র জর্নেলিষ্ট গৌরি লঙ্কেশপু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবগী থৌওংবু লোক জন শক্তি পার্টি (এল জে পি) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

এল জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নুপী জর্নেলিষ্ট অমা হাৎখিবগী থৌওং অসিবু নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি। মীয়ামগী থৌগল তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিংদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্তনবা মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টনা অকনবা থবক পায়খৎকদবনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎকদনি। পাউমী হাৎপা মীওই খূদিংমক ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০২গী মখাদা চৈরাক পীদুনা থৌরী য়ান্দুনা হাৎপা নৎত্রগা মপূন্সি চুপ্পা ইমপ্রিজনমেন্ট পীগদবনি। মীহাৎপ-শিংগী ইভিদেন্স চপ চানা পীনবা ষ্টেটশিংগী পুলিস দিপার্টমেন্টকী আই ওশিংনা চপ চাবা থবক পায়খৎনবা হোৎনগদবনি। পাউমী হাৎপদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎপদা অয়েৎ-অপন পীরকপা খূদিংমক মীহাৎপা অদুনা ফংগদবা চৈরাক অদুগা চপ মান্ননা ফংহনগদবনি। লৈখিদ্রবা লঙ্কেশকী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ১০ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কম্পেন্সেসন ওইনা পীগদবনি। মহাক্কী ইমুং-মনুংগী খ্বাইদগী নক্লবা মীওই অমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী থবক অমা পীগদবনি।

দেমোক্রেসিগী মখোঙ নাম্মা ওইরিবা ঈ-পাউজী থবক তৌরিবশিংগী থৌদাং গভর্ণমেন্টনা কাউফম থোক্তে। ঙসিগী ২১শুবা সেঞ্চুরি অসিদা পাউমীবু শীংনরকপা, হাৎপা-তুপ্পা তৌরকপদা মীওই খূদিংমক্কা পাউমীশিং-গীদমক্তা থেংনবা তাই অমসুং থেংনফম থোকই হায়রি।

অমরোমদা, জর্নেলিষ্ট নুপী গৌরি লঙ্কেশপু থা অসিগী ৫ দা মহাক্কী ময়ুমদা শকখঙদবা মীওইশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবগী থৌওংবু পাৎশোই কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কাউন্সিলনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

পাৎশোই কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি সাপম শামুঙৌনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, জর্নেলিষ্ট নুপী অমবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা অসি মালেমদা লৈরিবা নুপী খুন্নাইবু ফোঙনা শীংনবনি হায়না লৌই। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু কাউন্সিল অসিনা শরুক য়ারি। লৈখিদ্রবীগী থৱায়না মপূগী নাক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা থৌনীখি হায়রি।

পাউগী থবক তৌরিবা খূদিংমকপু মরী লৈনবা ষ্টেট অদুনা অশোয়-অঙাম থোক্তনবা ঙাক শেনগদবনি। পাউমীশিংগী খূদোংথীবা অমদি নাবা-য়েকপা য়াওরকপা মতমদা অখন্নবা থৌশিল থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা পাউমীশিংবু ইকায় খুম্নফম থোকই হায়রি। মতুংদা জর্নেলিষ্ট হাৎপগী থবক মখা চথবা ঙমদনবা মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টশিংনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলু হায়রি।

# কে সী কে এলনা এম এস এফপু লান্না উহন্নবা হোৎনরোইদবনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ (ঐচ এন এস):
কংলৈ চনু কনবা লূপ (কে সী কে এল)না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)পু লান্না উহন্নবা হোৎনরোইদবনি। কাঞ্চিপুরদা লৈবা হোলি রেষ্টুরেন্ট কৌবা ফাষ্ট ফূদ অমদা কে সী কে এল হায়না মিংথোনবা লূপ অসিগা নুংঙাইনদবা খরা লৈবগীদমক এম এস এফপু পকশিল্লক্তুনা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা অসি লাইবক থীবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফ হেদ ওফিসকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এলাংবম অনন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এম এস এফনা কনাগুম্বা রেষ্টুরেন্ট অমত্তদগী থাগী ওইবা শেনখায় লৌখিবা লৈতে। এম এস এফনা ঙসি ফাওবা মহৈরোয় খুন্নাইগী অমদি লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়াদা মহৈরোয়শিং অমদি লৈবাক মীয়ামগা চঙশিনমিন্নদুনা লাক্লি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী এম এস এফনা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরদা রেষ্টুরেন্টকী মিংদা ইকায় খুম্নবা লল্লোনবা অসিগী মথক্তা থিংদুনা লাক্লি, তুং কোয়নসু খুন্নাই অসি নোংম-নোংমগী মাঙথরক্লিবা ফীভমশিং অসি এম এস এফনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই হায়রি।

এম এস এফপু লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা হোলি রেষ্টুরেন্টকী মপূ অমদি কে সী কে এলগী মীওইশিং এম এস এফ ওফিসতা লাক্কুনা ৰারী শানগদবনি। কনাগুম্বা খরগী থৌইনশিন য়াওবা মানবা থৌওং অমদি এম এস এফপু লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা অসি লাইবক থীবনি অমদি অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না চথরোইদবনি হায়না চেকশিন ৰা ফোঙদোরক্লি।

# একাউন্ট হোল্ডরশিংদা পাস বূক ফংহল্লু : ভারত কিষান সঙ্ঘ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শঙম্বুং গ্রাম পঞ্চায়তকী মীয়াম্না য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া পোরোম্পাৎ ব্রাঞ্চতা চহী ৩গী মমাঙদা জিরো বেলেন্সতা হাংখিবা একাউন্টশিং অদু একাউন্ট হোল্ডরশিংদা পাস বূক পীদবগা লোয়ননা বেঙ্ক অসিগী মেনেজরনা ওপরেট তৌদুনা লৈরম্লে হায়না ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘ ব্রাঞ্চ মণিপুরনা মরাল শীরক্লি।

ভারতিয়া কিষান সঙ্ঘ প্রান্ত মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এম শ্যামচান্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লল্লাই পি এসকী মনুং চনবা নুঙ্গোইদগী টি ঐচ গোজেন কৌবা য়ু বি আই পোরোম্পাৎ ব্রাঞ্চকী করেস্পোন্দেন্ট অমগী খূথাংদা জিরো বেলেন্সতা একাউন্টশিং হাংখ্রগা পাস বূকশিং পীথোক্তুনা লৈরে হায়না মরাল শীরকপগা লোয়ননা জিতেনগী খূথাংদা বেঙ্ক অসিগী মেনেজরনা ওপরেট তৌদুনা লৈরে। গ্যাসকী সবসিদি এম আর ঈ জি এসকী খূৎশুমল পুম্নমক একাউন্ট হোল্ডর মশা খঙহন্দনা একাউন্টশিং অসিদগী ট্রান্সসেক্সন তৌরিবা অসি বেঙ্ক অসিগী মেনেজরনা থৌদাং পুরোইদবগী মরম লৈতে হায়রি। চহী ৩গী মমাঙদা একাউন্ট হাংখিবশিংগী পাস বূক বেঙ্ক অসিগী হেদ ওফিসনা থাদোরক্তবগী মরম পীদবা ঙমদবনি হায়রিবা অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা বেঙ্কনা মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি।

অমরোমদা, জিরো বেলেন্সতা য়ু বি আই পোরোম্পাৎ ব্রাঞ্চতা একাউন্ট হাংলিবশিং একাউন্ট হোল্ডরশিং খঙহন্দনা য়ু সী ও বেঙ্কতা ট্রান্সফর তৌথোকখ্রে হায়বা তারে হায়না ফোঙদোরক্লি। অসিগুম্বা লোগী ৰাংমদা থবক তৌরিবা মরী লৈনবা মীওইশিং গভর্ণমেন্টনা চৈরাক পীবীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

## য়ার্ন পাস বূক ভেরিফিকেসন তৌগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী য়ার্ন পাস বূক পায়রবা মীওই খূদিংমক্তা নেসনল হেন্দলূম দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইল মণিপুরগী অপূনবা টিম অমনা য়ার্ন সপ্লাই তৌনবগীদমক্তা ফিজিকেল দেলিভরি ভেরিফিকেসন তৌগনি। চাদা ১০গী সবসিদি স্কিম অসি চাদা ১০০ পাস বূক ভেলিদেসন তৌরবা মতুংদা অমসুং চাদা ১০ হেঙ্ক য়ার্ন প্রাইস সবসিদি স্কিমগী মখাদা পায়খৎকদবনি হায়রি। পাস বূক হোল্ডর খূদিংমক্লা পাস বূকশিং অদু রিভেলিদেদ তৌনবা খঙহল্লকপগা লোয়ননা পাস বূক মাঙখিবশিংনসু নৌনা এনরোলমেন্ট তৌনবা অনৌবা এপ্লিকেসন পীশিল্লকপা য়াগনি। হেন্দলূম দেলিভরি স্কিমগী মখাদা য়ার্ন পাস বূক তঙাইফদবদগী থৌওং অসি পায়খৎলকপনি। মরম অসিনা হেন্দলূম ৰিভর খূদিংমক্লা এন ঐচ দি সী ইম্ফাল নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইল ওফিসশিংদা খূদিক্তা পাউ খঙহল্লক্কদবনি হায়না দিরেক্টর ওফ হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইল মণিপুর কে লম্লি কামৈনা থোকপা নোটিশ অমনা হায়রি।

## ‘মচি ভিলেজ সোসল বোইকোট তৌরে’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৮ (ঐচ এন এস): মরিং উপরপ এসেমব্লি (এম য়ু এ)গী ইমর্জেন্সি এসেমব্লি অমা থা অসিগী ৭ তা লাইচিং কাংশঙ ভিলেজগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লবা মতুংদা মচি ভিলেজনা মরিং কষ্টমরি লো থুগায়বগীদমক মচি ভিলেজ সোসল বোইকোট তৌরে হায়না এম য়ু এগী চেরোল অমনা হায়রি। এসেমব্লি অসিনা থা অসিগী ৭ তা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা নুমিৎ অসিদগী মচি ভিলেজবু সোসল বোইকোট তৌনবা ৰারেপ লৌখিবনি হায়রি।